# য়াইরিপোক্তা লৈবা রামানন্দ হায়স্কুলগী স্কুল স্পোর্টস মীটতা পুন্সিগী অহানবা ওইনা ঐহাক ফুটবোল শান্নবা হৌজরকখি



এল আশালাতা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা লোইতোংবম আশালাতা দেবীসু থোইদোক্লা মশান্না অসিদা অচৌবা মফম কনবা ঙল্লিবী শান্নরোয় অমনি। হৌজিক হৌজি কমকসু ইন্দিয়াগী নেসনল ৱিমেন ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইবতা নত্তনা দিফেন্দর অমা ওইনসু মমিং লৈনা শান্নরি। কুমজা ২০০৮দগী ইন্টর্নেসনল থাক্কী মেচ কয়াদা লেপ্পনা শরুক য়ারকপনা ঙসিদি আশালাতা ইন্টর্নেসনল মেচ ৯২ শান্নবা ঙল্বী ফুটবোল্লরসু ওইরে। লোয়ননা ইন্টর্নেসনল মেচ ১০০ মায় পাক্লা শান্নদুনা ফুটবোলদা মশাগী খোঙফম অমা থল্লম্নবসু হোৎনরি।

লোইতোংবম আশালাতা, কুমজা ১৯৯৩গী জুলাই ৩দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক অংথা মমাঙ লৈকাইদা লৈবা লোইতোংবম য়াইমা অমদি লোইতোংবম ওংবী যমুনাগী মচা তরুক্কী (নুপী মঙা, নুপা অমা) মনুংদা খ্বাইদগী কোকহন লাইহন ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। হৌজিক হৌজিক ইষ্ট সেন্ত্রেল রেলৱে হাজিপুর (বিহার)দা লৈরিবী আশালাতানা মশামক্কী ৱারী লিরদুনা অসুম্না পাউদন্বীরকখি। ঐহাক্না ফুটবোল শান্নবা হৌজরকখিবসি ইশাগী চহী ১৩ হায়রকপা স্বাইদগীনি। মতমদু ঐহাক ক্লাস সেভেনগী ইগজাম পীখ্রগা লৈবা অদুৱাই মতমনি। ঐনা কাজরকখিবা স্কুলসিনা হাউস খায়দোক্লগা কম্পিটিসন তৌনহল্লি। ফুটবোল মশান্নসি ঐদি স্কুলদা নুপাশিংনা শান্নবদগী অহানবা ওইনসু উজরকপনি। হেক উবা মতমদা ফুটবোলসিমদি ঐসু য়াম্না শান্ননিংলকখি। ঐহাকখক্তা নত্তনা ইমান্নবী খরসু শান্ননিংই হায়রকপদগী ঐখোয় অহুম মরিনা মতমদুদা ঐখোয় স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইবীরম্বা ওজা তোলপিশক্তা নুপীগীসু ফুটবোল হাপ্পীয়ু হায়জখি। মদুদা সরনা নখোয়না শান্ননিংলবদি হাপকে হাপকে শান্নৌ হায়না খুন্বীরকখি। অদুদগী টিম অনী শেম্বীদুনা স্কুলগী স্পোর্টসতুদা নুপী ফুটবোলগীসু কম্পিটিসন তৌনহনখি। হান্না ফুটবোলগী মরমদা থোইনা খঙবসু নত্তবনিনা ঐখোয়সি পুল্লব পুল্লব

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

ঐখোয়রোমদা লৈবা রামানন্দ হায়স্কুল হায়বদুদনি। ঐখোয় ইচিন-ইনাও তরুক্কী মনুংদা ঐ খক্তংদি গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তমজরকখি। চহীগী ইগজাম লোইবগা স্কুলগী স্পোর্টসসি অদুম পাঙথোকই। অতৈ অতৈ ইভেন্ট ময়াম অমগা লোয়ননা নুপীগী ফুটবোলসিদি চহী খুদিংগী চেন্দুনা পঙশান্দা শান্নবসিদা থোইবা ঙম্নখিদে। অদুবু টিম অমদি খন্দবা য়াদবনিনা টাইব্রেক কা, পেনাল্টিগা কাউনহনখি। মদুদা ঐনা গোল চল্লগা ঐখোয় টিমনা থোইখি। হায়রিবা নুমিৎতুদগী ঐঙোন্দা ফুটবোল শান্ননিংবগী ৱাখলসি ফজনা অদুম ফাওরকখ্রে। মদুগী মতুংদগীদি



ঐহাক নুপা মরক্তা য়াওরগা শান্নবসু হৌরকখ্রে। ইহান হান্না শান্নজবা মতমদা ঐনা য়াওজবা টিম্না মায় পাকখিবদুনা ঐঙোন্দসু থৌনা অমা লাকখ্রে। ঐখোয় লৈকাইদা ঐগা ইহান হান্না শান্নমিন্নরকখিবশিংদি ইচে প্রেমি (ইন্দিয়া টিমদা মিদ ফিল্ডদা শান্নরম্বনি, হৌজিক্তী লুহোংখ্রে, রেলৱেজদা থবক তৌখ্রে), ইচে রোমি, ইচে রোমা, ইচে রঞ্জিতা, খরা জুনিয়রদনা প্রেমিতা, খেমিতা, ইনাও, সরিতা অসিনচিংবনি। ঐখোয়বু ইহান হান্না তাকপী তম্বীরকখিবা কোচসিনা ওজা তরুননি। অংথাদা লৈবা ঐখোয়গী ককাশিংনি। ঐখোয়না শান্ননিংবদু উবদা ঐখোয়বু খোঙ-খুৎ পায়দুনা তাকপীরকখিবনি। অদুগা লৈকাইগী ইবুংশিংনা দা জেমস, দা দেৱান, দা দ্বিজমনি, দা বিশ্বজিৎ ... ময়ামসিনসু ঐখোয়দা ফুটবোল তম্বীরকখি। অংথা মনিং লৈকাইদা লৈবা গ্রাউন্দদুদনি। হায়রিবা লম্পাক্তুদগীনি ঐখোয়না হৌজরকখিবসি। ঐহাকসি চহী অনীরোমদি ‘অংথা য়ুথ স্পোর্টিং ক্লব’ হায়বদুদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী টুর্নামেন্টশিং শান্নজরকখি। ঐখোয়না শান্নজরকপা মতমদুদা অংথা য়ুথ স্পোর্টিং ক্লব অসি নুপী টিমগীদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনদা রেজিষ্টার তৌরমদে। অদুবু ওজা তরুননা রেজিষ্টার তৌরগা ঐখোয়বু শান্নহনবীরকখি। রোনিকা ট্রোফি অসি মতমদুদা ষ্টেট লেভেলগী অন্দর ১৯গী ওইরম্মী।

শান্নবা হৌজরকপা মতমদা ঐহাক সেন্টর মিদ ফিল্ডগী শান্নরোয় ওইনা হৌজরকখি। ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নজবসি ঐহাক ইশাগীসু অপান্বা ওইজরকখি। হেক শান্নবা হৌরকপদগী ঐহাক থৱায়সু য়াম্না য়াওজরকখি। করিগীনো হায়বদা ইশানা পামজবা মশান্না অমসু ওইবনিনা ফুটবোলসি ফজনসু হৈনিংলকখি। অদুনা ঐদি প্রেক্টিস তৌবসিসু নুপাশিংগা পুল্লগা অদুম তৌরকখি।

ইশাগী ক্লবতা মতম খরা শান্নরম্লগা কুমজা ২০০৮ দগীদি ঐহাক ক্রিপসা ক্লবতা হোংলকখ্রে। অদুদগী ওজা চাওবা (ফুটবোল কোচ)গী মখাদা অমুক ট্রেনিং তৌদুনা শান্নজরকখি। ঐনা ক্রিপসাদা লাকচবা মতমদুদা ক্লবসিগী দিফেন্দর ৱাৎলি হায়দুনা তৌরমখি। মদুদা ওজা চাওবনা ঐঙোন্দা আশালাতা নঙদি দিফেন্দর শান্নগদবা ফিগর লৈ। হাইটসু ফজে। বোলসু ফোর্স লৈনা কাউবা ঙম্মী। নঙদি দিফেন্দর শান্নবনা হেন্না চানগনি হায়না এদভাইস তৌবীরকখি। মতমদুদা ঐদি মিদ ফিল্ডরদা শান্ননিংখি। ওজনা দিফেন্দর শান্নৌ হায়রকপদা ঐহাক য়ানিংখিদে।

... মথং মথং



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১০

১) অঙাং ওইরিঙৈদা ঐগী খুরাগা ফুটবোল শান্নবা চৎপদা ঐগা চৎমিন্নে। মহাক্না ফুটবোল শান্নরিঙৈদা ঐনা ভাবকশিংগী খোঙুপ কাপ থারগা পৈশা তাল্লি। ঐহাক কনানো? ঐসু ফুটবোল শান্নবদা অফাওবা ওইরকখি।

২) মহাক টেষ্ট ক্রিকেটরনি। বেটিং তৌবা মতমদা Right Hand Batsman নি। বোল্লিং তৌবদদি খুৎ ওইনা হুল্লি। মহাক টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা টিম অমগী কেপ্টেন ওইরম্মী। মহাক্কী মমিং পীয়ু?

৩) China গী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইবী নুপী অমগী ফোটো অদু Sanitary Napkin গী advertise তৌখি। মহাক কনানো?

৪) Songjeelen করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ২শুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০

## এন এফ সি (এ)না এফ এফ সি সিবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): নুঙব্রম এফ সিনা শীন্দুনা নুঙব্রম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ২শুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন এফ সি (এ) নুঙব্রং মায় পাকখ্রে। দল্লীয়ু ৱাই সি ৱাংখেম অমসুং দি এম দোট তুলিহল পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দা এন এফ সি (এ) নুঙব্রং অমসুং এফ এফ সি সি অংথা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি এন এফ সি (এ)না এফ এফ সি সিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।



এন এফ সি (এ) নুঙব্রংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিংদি বেনজোন্সন জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল ২ অমসুং বকিম জর্সি নম্বর ১৫না পাঞ্জল অমা চনখি। এফ এফ সি সি অংথাগী মায়কৈদগীনা ইর্সেদ জর্সি নম্বর ১৪ অমদি তাজু জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দল্লীয়ু ৱাই সি ৱাংখেম অমসুং দি এম দোট তুলিহল লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী দ্রো চৎখি।

## খো-খোগী মাধুসুদন অমসুং ইমো খল্লক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): হয়েংদগী গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩শুবা খোল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২০দা খো-খো মশান্নগী ওফিসল ওইননবা মণিপুরগী এম মাধুসুদন অমসুং কে ঐচ ইমো খল্লক্লে হায়না মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম মাধুসুদন হৌজিক হৌজিক মণিপুর খো-খো এসোসিএসনগী চেয়ারমেননি। অদুগা খো-খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চেয়ারমেননি। মহাকপু খোল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অসিদা টেক্নিকেল এন্দ ওফিসল মেনেজমেন্টকী কো ওর্দিনেটর ওইনা খল্লকপনি।

অমরোমদা, কে ঐচ ইমো নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস (এন আই এস) সার্টিফাইটনি। মহাকপু খেল্লো ইন্দিয়া গেমস অসিদা টেক্নিকেল ওফিসল ওইনা খল্লকপনি হায়না ঙসি প্রেসতা পীরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

### অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

## এল সী এল অমসুং বি এস এ ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): সাইনিং ষ্টার দিভলপমেন্ট এসোসিএন্না শীন্দুনা বেঙ্গুন মখা বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এল সী এল অমদি বি এস এ মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এল সী এল অমসুং মিখ্যা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি এল সী এলনা মিখ্যাবু সেট ৩-১ (২৩-২৫, ২৬-২৪, ২৫-১৪, ২৫-২১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।



অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা বি এস এনা এম এস দব্লিয়ু সীবু সেট ৩-২ (২০-২৫, ২৫-১৩, ২৫-২০, ২২-২৫, ১৫-৮দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী থর্দ প্লেসতা মিখ্যা অমসুং এম এস দব্লিয়ু সী লম্বা তৌনগদবা অদু এম এস দব্লিয়ু সী লাক্তবদগী মিখ্যানা ৱাকওভর ফংদুনা থর্দ প্লেস তাখ্রে।

## উত্তমকুমারদা কলচরেল টেলেন্ট স্কোলার্শিপ পীরক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): সেন্টর ফোর কলচরেল রিছোর্সেস এন্দ ট্রেনিং (সি সি আর টি) ন্যু দিল্লি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা থাং-তাগী লমদা কলচরেল টেলেট রিছার্স স্কোলার্শিপ ২০১৯ দগী ২০২৯ ফাওবা এৱার্দ সোরোকখাইবম উত্তমকুমারদা পীরক্লে হায়না দি মণিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিএসন, খোংমন জোন থ্রিগী সেক্রেটরী এন রাজেন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মাষ্টর এস উত্তমকুমার ইরোম মৈস্রাও মমাঙ লৈকাইদা লৈবা এস শ্যামকেশো অমদি এস ওংবী সোবিতাগী মচানুপানি। মহাক ইন্সটিট্যুট অসিগী শিন্তাকপুরেল নাওরেম রাজেন মঙাংগী লমজিং মখাদা তম্বনি। মহাক্না



দিষ্ট্রিক্ট, ষ্টেট অমদি নেসনলগী থাক্তা পর্ফোমেন্স কয়া পীরুরে। লোয়ননা হৌজিক ইরোম মৈস্রাও গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলদা মহৈ তম্লী। মহাক্না টেলেন্ট স্কোলার্সিপ ফংলকপদা ইন্সটিট্যুট অসিগী ওফিসল, ষ্টাফ, ইনষ্ট্রক্টর অমদি আর্টিষ্টশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

### প্রধান ট্রোফি ২০২০

## কালিকা এফ সী অমসুং এন সী পি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): ঐচ ৱাই পি সী হয়েলনা শীন্দুনা ঐচ ৱাই পি সী গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কালিকা এফ সী অমসুং এন সী পি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা ৱাঙ্গোই এফ সী, ৱাই এম সী, শ্যাম এফ সী অমদি দ্রেস হাওস মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা কালিকা এফ সী অমসুং এন সী পি লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক হেক হৌবগা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেক চথরকখি। শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা কালিকা এফ সীগী শান্নরোয় খোইমু জর্সি নম্বর ৪না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা এন সী পিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা লৈখি। মেচকী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্ন দবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদু ৱাঙ্গোইনা থৌবালবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। ৱাঙ্গোইগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু দেভিট জর্সি নম্বর ২, জুলেন জর্সি নম্বর ৮না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা থৌবালগী পাঞ্জল অদুনা বোব নিংথৌজমনা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেচতনা ৱাই এম সীনা য়ঙ বোইজ পুখাওবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। য়ঙ বোইজ পুখাওগী পাঞ্জল অদু সনা জর্সি নম্বর ১১, টজাই জর্সি নম্বর ৭ অমদি গোবিন জর্সি নম্বর ১৬না চনখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতনা শ্যাম এফ সীনা বোনি এফ সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। শ্যাম এফ সীগী পাঞ্জল অদু মনিমোহল জর্সি নম্বর ১৫না পাঞ্জল ২, টি দিপকনা পাঞ্জল ২ অদুগা সন্তোসনা পাঞ্জল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা বোনি এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা ইমরান জর্সি নম্বর ১০না চনখি।

মঙাশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতনা দ্রেস হাওসনা ব্লু ষ্টার এফ সীবু পাঞ্জল ৬-২দা মায়থীবা পীখ্রে। দ্রেস হাওসকী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু নেত্রজিৎনা পাঞ্জল ৫ অদুগা কপিকনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ব্লু ষ্টার এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা টেজকুমার অমদি সুরজনা চনখি।

## কিক বোক্সর শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): মুম্বাইগী সনবিচ রিসোর্ট গোরাই বিচতা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা বিচ কোম্বেট গেমস ২০২০দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে।

২শুবা বিচ কোম্বেট গেমস অসি নেসনল কিকবোক্সিং ফেদরেসন ওফ নন গভর্ণমেন্ট, ৱাকো ইন্দিয়ানা শীনবনি। খনগৎলবা মণিপুরগী শান্নরোয় ১৬ অদুদি আর কে মার্টিন (পি/এফ-কে জি ৫২), কে ঐচ লোরেন্স মৈতৈ (এল/সি-কে জি ৪০), জি নন্দশ্যাম (এফ/সি-কে জি ৫২), এম দি সায়িদ অসিত (এল/সি-কে জি ৫১), শরুংবম পুইনকান্তা মোইরাংচা (এফ/সি-কে জি ৫২), আর কে রোনিস (এফ/সি-কে জি ৫৬), সাপম প্রমেস (এল/কে-কে জি ৬০), জি দিজমি শর্ম্মা (এফ/সি-কে জি ৬৩.৫), হুরাকপম দোলিলেক্স (এল/কে-কে জি ৪৮), সায়েদ রুকসানা (এফ/সি-কে জি ৫৪), শরুংবম জুলিয়া (এল/সি-কে জি ৬০), কে প্রিন্স শর্ম্মা (পি/এফ-কে জি ৪৫), আর কে নেলসন (পি/এফ-কে জি ৫২), এম দি অলাম অজাত (কে/আই-কে জি ৫২), সাপম জয়রাজ (পি/এফ-কে জি ৪৫) অমসুং কেমিও সিনাম (এফ/সি-কে জি ৪৮)নি। এস উমকান্তনা টিম মেনেজর ওইরগা কে পদমেশ্বর শর্ম্মনা টিম কোস ওইগদৌরি।

## খুরাই এফ সিনা পি ৱাই পি সি (এ) থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): পি ৱাই পি সি পুংদোম্বমনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা চথরকপা অহানবা পিদোনু কপ ২০১৯-২০ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমিফাইনেল মেচতা খুরাই এফ সিনা পি ৱাই পি সি (এ) পুংদোম্বমবু পাঞ্জল ৯-৮দা পেনাল্টি সুট আউটতা থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা টিম অনীমক ফাইনেল য়ৌনবগী ৱাখল্লোলদা পাঙ্গল মান্ননা থেংনরকখি। মেচকী অপীবা মিনট লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ চন্দুনা লৈনখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না মায় পাকপা টিম খন্ননবা পেনাল্টি সুট আউট পাঙথোকখিবনি।

পেনাল্টি সুট আউট অদুদা খুরাই এফ সি অমসু পি ৱাই পি সি (এ) মান্ননা মান্ননা লাকখিবদগী লোইশিল্লকপদা খুরাই এফ সিনা পাঞ্জল অমা হেল্লগা পাঞ্জল ৯-৮দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

